

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইংলেণ্ডগী হেপ্তাথ্লোন শান্নরোই অমা ওইরিবা লুইজ হাজেলবু মশান্না অসিদগী পোথাখনবা ফোঙদোরকপদা য়ানীংদবা ফোঙখ্রে*

*এন বি এগী হৌজিক চথরিবা টুর্নামেন্ট অমদা দুরান টিমগীদমক্তা পোইন্ট ৩৩ লৌখিবা জেমসনা স্কোর তৌনবা হোৎনরি*

## য়ু এ ই, স্কোটলেণ্ড ২০১৫ গী ৱার্ল্ড কপতা য়াওরগনি

*ৱিল্লিংতোন, জনুৱারি ৩০ঃ*

ক্রিকেট মশান্না থৱায় য়াম্না য়াওজবগা লোয়নবা ক্রিকেটকি ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ানবা কয়ারক হন্না হোৎনরকখিবা অরব লৈবাকশিংগী মনুংদা য়ুনাইটেদ অরব ইমরেটেস (য়ু এ ই) সু ২০১৫ গী ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ারগনি। লৈবাক অসি নত্তবা অতোপ্পা লৈবাক স্কোটলেণ্ডসু কপ অসিগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।



লৈবাক অনী অসি ন্যুজিলেণ্ডদা পাঙথোকখিবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টতা ৱার্ল্ড কপ য়াওনবগী শরুক য়ারিবা অনৌবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক ওইবগা লোয়ননা টিম অনী অসি ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ানবা খনগৎখ্রে।

আই সি সিনা হান্নবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারিবা হৌজিক হৌজিক ক্রিকেট শান্নরিবা লৈবাক ১৩ গী মথক্তা নৌনা টিম অনী অসি হাপচিনখ্রে। আই সি সিগী ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং অদুদা য়ু এ ইনা রাউন্দ রোবিন ওইনা শান্নখিবা মেটচ ৫ দা মরি মায় পাক্লগা অমা মায়থীবা নঙখি।

অমরোমদা অনীশুবা লৈবাক ওইনা শরুক য়ানবগী ক্বালিফাই ওইরবা স্কোটলেণ্ড টিমদগী রন রেট হেনবনা মরম ওইদুনা য়ু এ ই অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ শরুক য়াগদৌরি। লৈবাক অসিনা ক্রিকেটতা হান্নবা মমিং লৈরবা ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়ানচিংবা লৈবাক কয়াগা লোয়ননা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

স্কোটলেণ্ডদি মমাঙদা ৱার্ল্ড কপ অনীরক য়াওখ্রবা লৈবাকনি। লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ য়াওবসি ১৯৯৯ অনীশুবা ওইনা ২০০৭ দা শরুক য়াখ্রে। য়ু এ ইশু অহানবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ য়াওনবা শক ১৯৯৬ তা এপ্লাই তৌরকখিবনি।

অমরোমদা স্কোটলেণ্ডনা কেনিয়াবু ফাইনেলদা ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বালিফাই ওইরকখিবনি। অদুগা য়ু এ ইনা নমেবিয়াবু রন ৩৬ তা মায়থীবা পীরমদুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

হোং কোংনা রাউন্দ রোবিনগী অরোইবা অদুদা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। অদুমওইনমক টিম অসিদি ৱার্ল্ড কপতা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা ফংখিদ্রে। টিম অসিনা পপাও ন্যু গুনিয়াবু ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

য়ু এ ই অমদি স্কোটলেণ্ডনা কন্টেস অসিগী ফাইনেল য়ৌবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মায় পাক্লে হায়না লিনকোননা কৌদুনা মমাঙগী থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিদা করম্বা পুলদা তাগদগে হায়বদু শেমদোক্কদৌরি।

হন্দক্কি ৱার্ল্ড কপ অসিদা টিম ১৪ না শরুক য়াগনি অদুগা হোষ্টনা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ন্যুজিলেণ্ড অনীনা পুন্না ওইমিন্নগনি হায়রি। হন্দক্কী ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ অসিদা মেম্বর ওইবা লৈবাক ১০ অমদি নৌনা এফিলিয়েটেসন তৌরকখিবা লৈবাক মরিগা পুন্না লৈবাক ১৪ না শরুক য়ারগনি হায়রি।

অরোইবা ওইনা এফিসিয়েসন পীখিবা লৈবাক অনী অদুনা আইলেণ্ড অমদি অফঘানিষ্টানি হায়রি।

## জিরি কপতা লক্ষিপুর অমদি ত্রিপুরা মেটচ দ্রো ওইখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারি ৩০ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শক খঙলবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দি এস এ লক্ষিপুর, কছার অমদি জে দি পি সি ত্রিপুরা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইদুনা লোইশিনখ্রে।



টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা মাগী মাগী টিমগী গোল চনবা কন্না হোৎনদুনা শান্নখি। অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। হাল্ফকি মিনিট ১১ লৈরগা মেটচকিনা ৫১ শুবা মিনিটতা জে দি পি সি ত্রিপুরাগী লালরৌলু দারলোংদা রেফরি সঙ্কর ভটচার্জনা য়োলো কার্দ অমা বুক তৌখি। মসিগী মতুং মিনিট ৮ লৈরগা টিম অসিমক্কী অতোপ্পা শান্নরোই উজল দেব বর্ম্মাবুসু সেরিএস ওইবা ফোল তৌবগীদমক য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অপীবা মতমগী মনুংদা টিম অনীমক্না পাঙ্গল চন্নবা ঙমদনা ঙসিগী মেটচ অদু দ্রো ওইদুনা লোইশিনখি। মেটচ অদুদা কে ঐচ নিলকমল, অজিস হাইদর অনীনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান অমদি টু ওইদুনা অদুগা এন জি জ্ঞানেন্দ্রনা ফোর ওফিসিএল ওইদুনা কন্দক তৌখি।

হয়েং ক্বার্টর ফাইনেল লীগ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ক্ষেত্রিইরিলমপাল য়ুথ ক্লব ইম্ফাল ইষ্টকা ৱিমাজিং হাফলোংগা অদুগা অনীশুবা মেটচতা এল এন পি এফ সি মিজোরাম অমদি ৱাই দি ও শান্নগনি।

## জুরিচ চেছ ক্লাসিক্তা অনন্দ মায়থীহৌরে

*জুরিচ, জনুৱারি ৩০ঃ*

মঙারক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরবা ইন্দিয়াগী গ্রান্ট মাষ্টর বিশ্বনাথন অনন্দ বিজ টুর্নামেন্ট জুরিচ চেছ ক্লাসিক টুর্নামেন্টতা মকনুস কারলসেনগা শান্নবা মেটচতা দ্রো ওইবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা পোজিসন তাদুনা লৈহৌরে।



টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী গ্রান্ট মাষ্টর অসিনা মেটচ অনী মায় পাকখি। অদুগা মেটচ অনী অমনা মায়থীবা নঙখি। অরোইবা ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা দ্রো ওইখিবনি। ঙসি মহাক্না শান্নবদা দ্রো চৎখিবা শান্নরোই অসি মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা চেনাই ৱার্ল্ড চেম্পিয়নদা মহাক্না মায়থীবা পীরম্বা নোরৱেগী মাকনুস কারলসেনগা শান্নখিবা মেটচ অসিদা দ্রো ওইবগা লোয়ননা মায়থীবা নঙখিবনি।

মহাক্না হন্দক্কি চেম্পিয়নসিপ অসিদা শুপ্নগী পোইন্ট ২.৫ ফংবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্না ইতালিগী ফাবিনো করুনা অমদি আইলেণ্ডগী বোরিস জেলফেনবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

ঙসি মহাক্না দ্রো ওইবগা লোয়ননা আমেরিকাগী শান্নরোই হিক্রু নাকামুরাগা মান্ননা লৈখি। মহাক্না শান্নবদা দ্রো চৎখিবা শান্নরোই কারলসেন অসিনা অহানবগী রাউন্দ অহুমদা পোইন্ট ১ খক ফংবা ঙমখি অদুগা মহাক্কী অরোইবা গেম অনীমক মায় পাকপগা লোয়ননা পোইন্ট ৩ ফংসুনা অরোনিয়াগা মান্ননা ইন্দিয়াগী গ্রান্ট মায়থীবা পীরমখিবা আইলেণ্ডগী জোননা পোইন্ট ১.৫ ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিনা মায়থীবা পীরমখিবা ইতালিগী ফবিয়ানোনা খ্বাইদগী মকোক ওইবা শান্নরোই ওইরি। চেছ ক্লাসিক অসিদা ৱার্ল্ডগী টোপ ওইবা শান্নরোই ১০ না রাউন্দ ৫ দা শান্নরি। পেরিং রাউন্দ ওইনা মাকনুসকা বোরিসকা, লিভোনগা অনন্দগা হিকারুগা হাবিনোগা হান্না থেংনদুনা শান্নখিবনি।

হন্দক্কি চেছ অসিদা য়াম্না ঙকপা অমা ওইনা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরবা কারলসেননা য়াম্না অঙকপা মওংদা খুদোংথীনিঙাই ওইবা খুৎশান্না অমা ওইনা নিংথৌ লৈবা মায়কৈদা এটেক তৌদুনা শান্নবগা লোয়ননা মহাক্না মুভ ২১ দা মায় পাকপা ঙমখি। অরোইবা রাউন্দদসু নোরৱেগী শান্নরোই অসিনা মায় পাকপা ঙমখিবগা লোয়ননা নাকামুরা অমদি লিভোনগা মখা তাবা মেটচ শান্নগনি। করিগুম্বা মসিদা দ্রো ওইরগদি কারলসেন য়াম্না হন্থনা লৈহৌগনিসু হায়রি।

## শিহান কিরন কুমার টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াগদৌরি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ*

শিহান রিকন কুমার থিংবাইজম ব্লেক বেল্ট ৬ দান জপান অমদি এগ্রিগেটেদ ৱার্ল্ড কারাটি ফেদরেসনগী কোচ অমা ওইবগা লোয়ননা দিল্লীদা থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোকখিবা জেনরেল বোদি মিটিংদা শরুক য়ারুরে।

মিটিং অদুদা শরুক য়ারুবা কিরন কুমার থিংবাইজম হৌজিক হৌজিক করাটি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকপগা লোয়ননা মহাক থৌ পুবা হৌখ্রে। ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা মহাক্না মথং থা ফেব্রুৱারী ১৮ দগী ২৩ ফাওবা সাউত আফ্রিকাদা পাঙথোক্কদবা দব্লিউ কে এফ প্রেমিয়র লীগ, মেদা মহারাষ্ট্রদা সব জুনিয়র কেদেট অমদি জুনিয়র নেসনেল চেম্পিয়নসিপ, জুন থাদা কে এ আই নেসনেল চেম্পিয়নসিপ, জুলাইদা মালেসিয়াদা পাঙথোক্কদবা এ কে এফ চেম্পিয়ন–সিপ, আগষ্টতা ইন্টরজোনেল চেম্পিয়নসিপ, সেপ্টেম্বর থাদা ১৭ শুবা এসিয়ন গেমস, সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোক্কদবা, নবেম্বর থাদা জর্ম্মনিগী বার্মেনদা পাঙথোক্কদবা ২২ শুবা দব্লিউ কে এফ চেম্পিয়নসিপ অমদি দিসেম্বর থাদা ৩ শুবা পুলিস এন্দ পেরামিলিটরি চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগনি হায়রি।

## মণিপুরগী শান্নরোই ২না মেদল লৌরকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ঃ*

নেপালগী কাথমান্দুদা লৈবা দসরথ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা এন এস কে এফ সাউত এসিয়ন করাটি দো চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরদগী শান্নরোই ৩ শরুক য়ারুবদা অনীনা মেদল লৌরকখ্রে।





চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা মথক্তা পল্লিবা ষ্টেয়িদম অসিদা পাঙথোকখিবনি। চহী ১৪ গী কাঙলূপতা কাটাদা শরুক য়াখিবা এ য়াইফথোই লুৱাংনা সিলভর মেদল ফংলকখি। লোয়ননা এল দিনচন্দ্র সিংহনা টিম কুমিটতা সিলভর মেদল অমগা ফংলকখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অদুদা আইটেম অনীদা শরুক য়াখিবা এ দেবিদ সিংহদি মেদল অমত্তা ফংলকপা ঙমখিদে। মহাক্না কুমিট অমদি কাটাদা শরুক য়াখিবনি।

## আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ দা নেপাল অমদি য়ু এ ই য়াওগদৌরি

*দুবাই, জনুৱারি ৩০ঃ*

আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ দা নেপাল অমদি য়ুনাইটেদ অরব ইমরেদস শরুক য়ারগনি। অবুদাবেগী জিয়াদ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ গী ফাইনেলদা নেপালনা হোং কোংবু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসি আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ দা শরুক য়ারগনি।

নেপালনা ৱার্ল্ড টি–২০ গী ক্বোলিফাইটকিদম শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা য়াম্না নীংথিজনা শান্নখি। লাষ্ট ওভর অদুদা মখোয়না হোং কোংগী মায়োক্তা রন ১৩ লৌবা ঙমখি। ওভর অদুগী বোল অনীদা নেপাল টিম্না রন ১০ লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী অরোইবা ওইনা লংবা বোল অদুনা রন ১ লৌবগা লোয়ননা মায় পাকখিবনি।

নেপাল অসি মার্চ ১৬ ত্তগী বঙ্গলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারগনি। মসিগী মথক্তা চহী ১৭ কি মমাঙদগী ক্রিকেট মশান্নদা শরুক য়ানবা হোৎনরকখিবা পৃথিবীগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ অরব ইমরেদসসু অহানবা ওইনা কপ অসিদা য়াওরগনি।

মখোয়না নেদরলেণ্ডপু রন ১০ দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসিদা য়াওনবা হোৎনবদা মায় পাকখিবনি। মখোয়না অহানবা ওইনা ক্রিকেট ৱার্ল্ডকপ অসি য়াওনবা হোৎনরকপসি ১৯৯৬ তনি।

## রগুনাথকি হেটট্রিক্না য়ু পি মায় পাকখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারি ৩০ঃ*

য়ু পি ৱিজার্টকি কেপ্টেন ভি আর রগুনাথনা মেটচ অদুগী ২৮, ৪১ অমদি ৫৬ শুবা মিনিটতা ফংবা পেনালটি কোনরশিংদা গোল চনখিবগা লোয়ননা মহাক্না মেটচ অদুদা হেটট্রিক ফংদুনা মুম্বাই মেজিকসিয়নবু মায়থীবা পীবা ঙমখি।

হেরো হোকি ইন্দিয়ন লীগকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু পি ৱিজার্টনা মুম্বাই মেজিকসিয়নবু গোল ৫–৩ দা মায়থীবা পীখি। টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা ভি আর রগুনাথনগী হেটট্রিক অসিনা মুম্বাই মেজিকসিয়নবু গোল ২ দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসি হৌরকপদা মুম্বাই মেজিকসিয়ননা হোম ক্রাউন্দকি খুদোংচাবা লৌবগা লোয়ননা মেটচকি ১২ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই গুরজেন্দর সিংহনা পেনালটি কোনরদা গোল অমা চনবা ঙমখি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা মেটচকি ১৮ শুবা মিনিটতা মুম্বাইগী কেপ্টেন জলেন টুর্নরনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অসুম্না য়াম্না চেকশিন্না শান্নরকপগা লোয়ননা য়ু পি ৱিজার্টনা গোল চন্দুনা দ্রো ওইনবা হোৎনরকখি। লোয়ননা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই অনীনা গোল অমমমগা চনবগা লোয়ননা মুম্বাই মেজিকসিয়নবু মায়থীবা পীখিবনি।




Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

**MILLENNIUM SCHOOL**

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

SL/29/19/B

Form available from 7th November 2013

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.



**ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)**

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726